থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কোরোনাগী অহুমশুবা ঈথক

চুরাচান্দপুরগী ৱারী, ভুৎ-প্রেৎ (তম্নলাই)গী ৱারী, তপ্তাগী ৱারী... মখল কয়াগী ৱারীনি মতম অমদা, ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ঈথক থোংবশিংনা লীবীরম্বা। অঙাংশিংতা নত্তনা অতাবা পূম্নমক কিখিবনি। ইলেকত্রিক্কী মৈ ফংদবনা, নুমিৎনা ময়ূম চঙখিবগা মায়কৈ মরীমক অমম্বনা কূপসিনখি। অকিবনা লাঙ্গোয় চনখিদুনা কোম্হোং ৱাংমা লান্নরমদে। মতমদুদনি ষন-হুরানবা অমদি অতোপ্পা মখলগী হুরানবনা শিনফম ওইবা মী মরাঙ কায়রম্লিবা। কিবা খঙদবা মখোয়না কিগনবা মখোয়গী মপোৎ মরল হুরানবা। মমীত্তুদা শেরান তুরান উহনবা । মকোক্তুদা ওইদ-পাদা খলহনবা।


'অকিবা'গী সাইকোলোজি নৈননবা ইজরুবা ৱারেং নত্তে। চাওলখৎপগী মঙাল ফংদ্রিঙৈ মতমদুগী মীশিংগী মাইন্দ-সেত, অমদি ঙসিগী মীরোলসিগী মাইন্দ-সেত- অনীসিদা লৈরিবা 'অকিবা' মখল অনীসি হাইফেৎ চাংদম্নীংলুবনি। তম্নলাই অমসুং তপ্তাগী ৱারী লীনখিদ্রে। অমম্বা ৱাখল, সাইন্স'না মঙাল পীদুনা, অঙানবদা থাংদোরকখ্রে। অদুবু, ঙসিগী সাইন্তিফিক এজ অসিদসু 'অকিবা' হায়বদুদি মাঙখিদ্রি। অদুবু অকিবা মখল অনীসিদি মান্নদে। মান্নবা অমতং হায়বা তারবদি- শিনীংদবা, শিগনি খনবগী অকিবা অদুনি।

নঙ-ঐ-মহাক, ঐখোয় পূম্নমক্না ঙসি কিরিবসি - 'কোরোনা' কৌবা মহীক অদুনা কৈদৌঙৈ ঐঙোন্দা লান্দারক্কদগে... চেকসিনহৌদবা মীকূপ অমদা ঐঙোন্দা চঙলক্তুনা ঐবু লাইরৈবাক্তা পুখিগদ্রা... হায়বদুগীনি। কোরোনাগী অহানবা অমসুং অনীসুবা ঈথক লাক্তুনা, মালেম সীনবা থুংনা কয়া অমা ঈরাক্লহল্লম্লে, কয়া অমবুনা লাকসীন্দুনা হাৎলম্লে। অনীশুবা ঈথক অদু নেমথখিদ্রি, হৌজিক অমুক 'থার্দ ৱেভ' চয়োল খরগী মতূংদা থিংবা-ঙমদ'- থুংলগনি অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভ অদুদগী হেন্না তমথীবা শক্তম লৌরক্কনি, মীশি-মীনা থোক্কনি হায়বগী অকিবদুনা লাকহৎখিদুনা ৱাখল থোক্ত্রবা মীয়াম হায়বদু ওইহল্লে। লাক্তবসু য়াই, নৎত্রগা লাকহন্দবা হাইবা চীম্হোক্তুদি কনামত্তদগী থোল্লক্তে। অদুনদি, ঐখোয়, চয়োল মঙা-তরূক্কী মতূংদা অমুক য়ৌরক্কদৌরবা 'কোরোনা'গী অহুমসুবা 'ঈথক'তুগী মথক্তা ঈরোয়দুনা শান্নবা ঙাইদুনা লৈবা তাবনি। লৈঙাক-ওথোরিতিগীদি, ঈথকসিদা ঈরোয়বদা তাউদুনা অসুম লৈনবা, ঈরাক্লদুনা শিদনবা মরোল অহুমগী মায়খুম উপ্পু, খূৎ তোয়না হামদোকউ, সেনিতাইজর সীজি ন্নৌ, মীয়াম তিনবা য়াওগনু, ঐগা খ্বাইদই নক্লনা লৈবা মহাক্তু ফুত তরূক লাপ্নহল্লু, চেকসীনবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা খূৎলায় লৈতে... হায়না তোয়না লাউবা, মীয়ামগী নাকোং য়ৌহন্নবা হোৎনবদগী হেন্না তৌগদবা অতৈ থৌদাং অমত্তা লৈতে। কোরোনা ভাইরস থেংননবা, মহীক অসি হাৎননবা মেদিকেল সাইন্সনা হীদাক শাবা ঙমদরি। ভাইরস অসি চঙখিদুনা নারবা মীশক অদুগী হকচাঙ মনূংদা য়াওজবা 'এন্তি-বোদি' অদুনা হাৎপনি, দাক্তরগী হীদাক্না হাৎপা নত্তে। অনাবদুবু হাৎলিবদি অনাবদুগী মশাগী এন্তি-বোদিদুননি। মশাদা য়াওজবা অতোপ্পা বোদি সেলশিং অদু কোরোনাগা শকমান্নবা য়াওদুদা কোরোনা ওইরবোই নীংদুনা এক্তেক তৌবদগী শিবনি। ভেক্সিন পুথোক্লিবসিগী পান্দমসু নেচরেল এন্তি-বোদিশিংদুগী মথক্তা অহেনবা এন্তি-বোদি পুথোকহনবনি হায়। হীরম অসি সবজেক্ত এক্সপর্ত অমদি সাইন্তিষ্টশিংগী ওইরসনু। অহুমশুবা ঈথক হায়নরিবা, মরীশুবা অমসু লাকপা য়াই পানরিব'সিগী মতাঙদা ৱাফম অমত্তং, মীচম ঐখোয়গী লোন্দা পঞ্জনীংদুনা ইরিবনি ৱারেঙসি। করিগী 'ৱেভ' হায়নরম্লিবনো?

কোরোনা মহীক অসি ঈপাক অমগী ঈথক্কুম মালংবনা হুমদুনা পুরকপা নত্তে। লায়চৎ অমা থোকপদা, তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফংবা অনাবা মসীং অমদি ফগৎলকপগী চাং মতূংইন্না স্তেতিস্তিক্সকী গ্রাফ অদু মথক অমুক কা, মখা অমুক কূম (অমুক ৱাং, অমুক নেম) তৌবদুদা ঈথক অমগী অয়েকপা লাই মাল্লি হায়দুনা 'ৱেভ' হায়বা ৱাহৈসি সীজিন্নখিবনি। অৱাং অনেম নাইদনা অচূম্বা লৈই ওইরকপা (কর্ব ফ্লেত্তন তৌবা) মতম অদুদনি অনাবা অসি লাকসীনবা ঙল্লগনি/ঙল্লে হায়না লৌনরিবা। মতম খরা লাকসীনবা মান্না লৈরুরগা, হান্নগুম অমুক অকা-অকুম নাইরকপা, অনাবা মসীং হেনগৎলকপা অদুবুনি - 'সেকেন্দ ৱেভ'! অলফা, বিতা, দেল্টা ভাইরস করিনো? ভাইরসতুগী মশক ঐখোয়দা তাকপনা করিমত্তা কান্নরোই। মণিপুরগী অনাবশিংগী তেস্ত-সেম্পল মপান্দা থাদুনা য়েংলুবদা 'দেল্টা ভাইরস' থেংনরে, হেন্না নুংনাংনিংঙাই ওইরক্লে হায়বসি লৈঙাকপুরেন'মক্লা হায়খ্রবনি। মীওইবদা চঙগদবা (দাক্তরগী মত মতূং ইন্না) ভাইরস অমা চঙবা হৌরক্লে করম্ন নো? মদু ঐখোয়গী কন্সর্ন নত্তে। অহুমশুবা ঈথক অমগীদমক অতোপ্পা মহীক কাঙলুপ অমা নৌনা অমুক থোক্লক্কদবা নত্তে। অনৌবা ম্যুতেন্ত (মহীকসিগী অনৌবা শক্লোন) অদুদি অনীশুবা ৱেভ মনূংসিদা অদুম থোক্লকপসু য়াই। অনীশুবা ৱেভ, অকা-অকুমগী ফিগরদু কুমথরকপনা মসীং হেল্লে হায়বই ৱানি।, ৱাংখৎলকপা য়াওদ্রবা, স্ত্রেৎ লাইন ওইরক্তবদুমক্তি নত্তে। চেকসীনবা ৱাৎপদগী থওইরুদবদগী অমুক হন্না অকা-অকুম নাইরক্লবা, মদু অহুমশুবা ৱেভ কৌরোই, অনীশুবদু মখা শমথরকপনি হায়না লৌগনি। ইন্দিয়াদা থার্দ ৱেভকী ৱারী তৌনরক্লিবসি মে ৬, ২০২১, নোংমদুদা পোজিতিব কেস লাখ ৪.১৪ ওইরম্বদগী তপ্না তপ্না খজিক খজিক হন্থরকপসিদগীনি। ত্রেন্দ অসি অসুম মখা চখরবদি জুলাই লোইশিল্লকপদদি পোজিতিব কেস লৈত্রবগুম লৌবা য়ারক্লগনি - লৈঙাক ওথোরিতিগী ৱাখলনি।

হন্দক্কী কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিদা, অতৈ লৈবাকশিংগা মান্নদবা এক্সপরিয়েন্স অমা ইন্দিয়ানা হকথেঙনৈ। মদুদি, মাঙলমচত্তা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্সশিংগা মান্ননা মালেমগী অতৈ লৈপাকশিংদা অনীশুবা ৱেভ অসিনা অহানবগীদুদগী য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল শোল্লি। চিনাদদি সুপলৈ লৈখিদবগা পাংখক্লি। অহুমশুবা ৱেভ লাক্লবসু, মদু কা হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইবা ইশ্যু অমা ওইরোই খন্নে। ইন্দিয়াদদি তায়ওন্নখি। অনীশুবা ৱেভ অসিদনা থোইনা হেন্না য়েংহৈদবা শক্তম লৌরকখি, পুম্নমক্না উবীরে। ঈথক অসি নেমথদ্রিঙৈ, হেন্না তমথীবা, লাকসীনবা ৱাবা ঈথক অমা মায়োক্লরগনি মিপাইনরে। অতৈনা শন্দোকপা পাউ ওইরম্লবা, তোকঙানি লৌবা য়াবদু, ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লেমজনীংঙাই ওইবা হোস্পিতালশিংগী মরক্তা অমনি ঙাঙনরিবা, নিউ দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সতিত্যুৎ ওফ মেদিকেল সাইন্সেস দাইরেক্তরনা হায়বনি। তরাইনা করম লৌরুনি?

অদুনদি, ৱাফমসিমদি নাখৈ শেংলে - অসুক তমথীবা এক্সপরিয়েন্সসিগী মতূংদসু ঐখোয়গী সাইন্তিষ্ট দাক্তর, ওফিসার, পোলিতিসিয়ন অমত্তা, অশোয়বদুদই পারা তমহৌদে। চৈনা ফংলবা লায়রবা প্রজা ময়ামসু লৌশিং পূক্কৈ হাপচীনহৌদে। লাক্কনি খুদোংথীবদু লাকহন্দনবা/থৈদোক্লবা করি থৌরাং পায়খৎসিগে খন্নদে। খুদোংথীবদু লাক্লগা মায়োক্লনবা শেম শাই।



লৌশিং পূক্কৈ

# কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন

## কাপ্লবা মতুংদা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবশিং

নোভেল কোরোনাভাইরস হায়বসি ঐখোয়গী পুন্সিগী অৱাবা-নুংঙাইতবা শরুক অমা ওইরক্লে অদুগা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি হায়রিবা অৱাবা-নুংঙাইতবা ফিভম অসিদগী নাম্হোক্লবগী লম্বী অমা লৈতবগুম তৌরি। অদুমক্তি ওইরগা, ভাইরস অসিদগী ঐখোয় ইশাবু ঙাকথোকচবা ঙমগদবা অমত্তা ঙায়রবা লম্বী অসি কোভিদ ভেক্সিনশিংনা ওইরে। মালেমগী মফম কয়াদা ভেক্সিনশিং পুথোক্লবা হৌরকপদগী মীওই মিল্লিয়ন কয়া অমদা ভেক্সিন কাপখ্রে অদুগা অতৈ কয়া অমনা ভেক্সিন কাপ্নবগী ঙাইনরি।

অদুমওইনমক ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংনা মখোয়দা কাপ্লিবা ভেক্সিন অদুনা মখোয়বু নীংতম্না চত্থোক চৎশিন তৌবা, খঙন-চানবা মীওইশিংগা উন্নবা অমদি পেন্দমিক অসি লাক্লিঙৈ মমাঙদা মখোয়না হিংলম্বা পুন্সি মহিং অদুগা মান্ননা লৈবা য়াহল্লগদ্রা হায়বসিদি ৱাহং অমা ওইরি।

সার্স-কোভ-২ ভাইরসকী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মশক্তি ভাইরস অসিগী তম্বা ঙমদবা মচৎ অসিনি। মীওই খরদনা মাইল্দ, মোদরেট নৎত্রগা সিভিয়র ইনফেক্সনশিং মায়োক্লে, অদুগা অতোপ্পা খরা অমনা লাইওং অমত্তা থেংনদবসু য়াওরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা তম্বা ঙমদবগী ফিভম অমা মায়োক্লরিঙৈ মতম অসিদদি ভেক্সিনেসন তৌবা হায়বসিনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈ ওইরি। অদুবু ভেক্সিন কাপ্লবা মীওই অমদা ভেক্সিন অসিনা পীগদৌরিবা প্রোটেক্সন অসি অকক্লবা লেবেল অমদনি অদুগা মসিনা মীওই অদুবু য়াম্না কন্না নাদুনা হোস্পিটালাইজেসন তৌগদবা অদু তৌহন্দে হায়বসি নীংশিংবা মরু ওই। অদুমওইনমক মসিনা ঐখোয়বু ভাইরস অসিদা সসেপ্টিবল ওইবগী চাং হন্থহনবদি নত্তে, অমদি অনাবা অসিনা ঐখোয় ইশাদা চঙলকপা অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংদা, মরুওইনা খুন্নাইদা লৈরিবা খ্বাইদগী হেন্না ইম্যুন শোনবা মীওইশিংদা শন্দোকপদি অদুম্মক ঙমখিগনি।

অদুমওইনমক মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবশিংগী মতাংদা যু এস এগী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না অনৌবা গাইদলাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে।

সী দি সীগী গাইদলাইনশিং অদুগী মতুংইন্না রেষ্টুরেন্ট, বার অমদি জিমনচিংবা পব্লিক স্পেসশিংদা ইনফেক্ট তৌরকপা য়াবগী চাং অসি কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদদি য়াম্না নেমই হায়রি। অদুমওইনমক ভেক্সিন কাপ্লবা অমদি কাপ্প্রিবা মীওই খুদিংমক্লা মীয়াম পুনবা মফমদা চঙদনবা অমদি পব্লিক প্লেসশিং অমদি মী য়াম্না তিনবা মফমশিংদা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক লৌখৎনবগীদমক সী দি সীনা এদভাইস তৌরি।

সী দি সীগী গাইদলাইনগী মতুংইন্না ঐখোয় ইশা অমদি ইমা-ইপা নৎত্রগা মরুপ-মপাংশিং য়াওনা ঐখোয়গী নুংশি-চান্নজবা মীওইশিং মপুঙ ফানা ভেক্সিন কাপথোক্লবা ওইরগদি মী য়ামহন্দনা য়ুম মনুং নৎত্রগা মপান্দা মাস্ক উপ্তুনা নৎত্রগা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তনা পূনবদা খুদোংথীনিংঙাই করিসু লৈতে হায়রি।

ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংনা ভেক্সিন কাপ্প্রিবা মীওইশিংগা নক্লা তোৎনা-তিন্নবা য়াবা য়াবরা হায়বগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফমদি, ভেক্সিনেসন তৌদ্রিবা মীওইশিং অদু য়ুম নৎত্রগা ইমুং অমত্তদগী ওইবগা লোয়ননা সেভ্যির কোভিদ-১৯ দিভেলপ তৌরক্লবগী রিস্ক ফেক্টর অমত্তা লৈতবা মীওইশিং ওইরগদি মপুঙ ফানা ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিংনা মখোয়গা উন্নবা য়াই। অদুমওইনমক অসিগুম্বা ফিভম অসিদদি মতম পুম্নমক্তা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লা চৎকদবনি। ভেক্সিন কাপ্পনা মরম ওইরগা ঐখোয়বু ভাইরস অদুনা থোকহল্লক্কদবা খুদোংচাদবশিং অমদি সিম্পটমশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অক্লবা ইম্যুনিতি লৈহল্লগসু ঐখোয় ইশাদি ভাইরস অসিগী কেরিয়র অমদি অদুম্মক ওইরম্বা য়ারি, অমদি মদুনা অতোপ্পা মীওইশিংবু খুদোংথীহনবা য়াই।

ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা লম চৎপা য়াবা-য়াদবগী মতাংদা সী দি সীগী গাইদলাইনশিংনা হায়রি মদুদি, ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিং চেকশিন থৌরাং খুদিংমক লৌখৎলবা মতুংদা লম চৎপা য়াই। এক্সপার্টশিংনা থাজে মদুদি, ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংগীদমক লম চৎপা হায়বসি রিস্ক নেম্লগসু লৈবাক ৱাংমা লান্না অমদি লৈবাক কয়াদা চৎপদদি, মরুওইনা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং থেংনরিবা মফমশিংদা চৎপদদি রিস্ক য়াম্না ৱাংবা য়াই হায়রি।

ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংনা কাপ্প্রিবা মীওইশিংদা ভাইরস অসি শন্দোকপা য়াবগী চাংগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফমদি - ভেক্সিনেসননা ভাইরস অসিগী মায়োক্তা অকক্লবা চাংগী প্রোটেক্সন অমা পীরগসু মদুনা ভাইরস অদুদা কন্ত্রেক্ট তৌহল্লোই হায়বদি নত্তে। ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিং কেরিয়র অমদি অদুম্মক ওইবা য়াই। অদুমওইনমক অনৌবা ষ্টদিগী মতুংইন্না ভেক্সিন কাপ্প্রিবা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা কোভিদ ভেক্সিনশিংনা এসিম্পটমেটিক ইনফেক্সনবু চাদা ৮০ হেন্না হন্থহনবা ঙমই হায়রি। অদূমক্তি ওইরগা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং মশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইরগা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা ইভিদেন্সশিং মথৌ তারি হায়রি।

অঙাংশিংগী ওইনদি, ইন্দিয়াদা হৌজিকফাওবগী ওইনা অঙাংশিংগীদমক ভেক্সিন অমত্তা লৈত্রি। ভেক্সিনেসন তৌরবা মীওইশিংনা ভেক্সিনেসন তৌদ্রিবা মীওইশিংগা (ইমুং অমত্তদা লৈমিন্নবা ওইরগদি অমসুং সেভিয়র কোভিদ ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈতবা ওইরগদি) য়ুম মনুংদা মাস্ক উপ্তুনা নৎত্রগা সোসল দিষ্টেন্সিং তৌদ্রবসু উন্নবা য়াই হায়রি। অঙাংশিংদদি কোভিদগী য়াম্না শাথিবা সিম্পটমশিং দিভেলপ তৌরকপা য়াবগী চাং নেম্বনা ভেক্সিনেসন তৌরবা মমা-মপাশিংনা অঙাংশিংগা লোয়নবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদে হায়না সী দি সীগী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা যুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

মমি ৱারী

# পাঙদেম জগোয় শারিয়ে

## টুশার নোংথোম্বম







Tushar Nongthombam is a photographer based in Imphal.

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না কারি হায়রি, কারি পাম্লি

## চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফদোক্লগা ফরা শাই হায়বা মৈতৈ ইপা-ইপুগী পাউরৌ নীংশিংমিন্নসি



কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরি। মশা-মশাগী অরৈবা কোৎতগী ফৌ পুথোক্লুরক্লি। এক্স মিনিষ্টর এন মঙ্গীগী প্রজাশিং, সোসল ৱার্করশিংগা খুৎশম্নমা চৈনা খাঙলিবা কুম্বী এ সীদা নত্তনা ইম্ফালদা য়ূম ৱাইরগা লৈজবা শু-নোমজবা ইমুং ১৫০দসু মতেং পাংলি। লৌউশিংউবগী মতমনি চরা নোংইনগনি। শিবা-চঙবা খঙদে য়াম্না কন্না লৈবাক মীয়াম সেকেন্দ ৱেভকা লাম্হেংনরি। অহুমশুবা ৱেভ লাক্কদ্রা হায়নসু মীপাইনরি। লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা দেল্লি অমদি ষ্টেট খরদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ফাওবা হৌনখ্রে। মরম অদুনা মণিপুরদসু য়াম্না থুনা লৌখৎহন্নিংই। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগীসু লৈখিদবা মশিং অসি মীওই লিশিং হেনখ্রে। মী য়ামজদ্রবা ইরমদমনি। মীওই খুদিং চেকশিন্না, ঐ ইশা, ইমুং-মনুং, শাগৈ, নাতৈ, লৈকায়, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লবা ফৈ। মৈতৈ ইপা-ইপুনা হায়রম্বা পাউরৌ লৈ হায়বদি চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফদোক্লগা ফরা শাই হায়বদু ঐখোয় নীংশিংমিন্নসি। এস ও পি ঙাক্লা মতম-মতমগী লৈঙাক্লা লাউথোরক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং ঐখোয় পূম্নমক্লা ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। লোয়ননা খুল-খুল খূদিংগী লৈরিবা লৈরক-খুল্লক, ইরম-নালা অমদি য়ূমথোঙ খূদিং লূ-নান্না থম্বা ফৈ। অৱাবা মতম অসিদদি পোলিটিক্সকী ৱাফম লাপ্না থমখিসি। হকচাং ফনবা হোৎনমিন্নরসি।

❒ জয়কুমার তখেল্লম্বম, খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকাই।

## ওনলাইন ক্লাসনা কদাই ফাওবা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরকপা ঙমগদৌরিবা?



মালেমদা তমথীরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯গী অকিবা কয়াগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক্লা লাম্হেংনরি। মেদিকেল সাইন্সনসু মসিগী ভাইরস অসিবু মতৌ করম্না মালেমদগী মুথৎসিগে হায়না হনবা লৈতনা হোৎনরি। অসিগুম্বা লাইচৎ অসিগী মরক্তা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী লাইবক্লা কদোমদা? মহৈরোয়শিং লাইরিক-লাইশুগী ৱাখলগা ইরোয়ননা লৈনবগীদমক স্কুল/কোলেজ কয়ানা ওনলাইন ক্লাসনি হায়দুনা মোবাইল এপ্ অমদি কম্প্যুটরদা লিঙ্ক অমগী মখাদা মহৈরোয়শিংবু তোঙান-তোঙানবা সবজেক্ট কয়া তাকপী-তম্বীরি। মসিদা চহী নৌরিবা মোবাইলবু করিনো মুন্না খঙদ্রিবা মহৈরোয় কয়ানা ওনলাইন ক্লাস অসিবু লান্না তৌরোই হায়নিংঙাই লৈতে। অপীবা মতম অদুদা শুপ্নগী ক্লাস অদু লোগ ইন তৌরম্লগা মনীং তৌনা মানা-মানা পামজবা ক্লাসশিং য়াওবগী মহুৎতা য়েংহৈদবা অমদি তৌহৈদবা থবক তৌরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিগুম্বা ময়াম অসিনা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা প্রাইভেট স্কুল অমদি কোলেজ কয়া অসিনা কদাই ফাওবা এদ্যুকেসন পুরকপা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। খূদিংমক অসিদগী স্কুলগা মরী লৈনবা মীওইশিংগা অমদি মমা-মপাশিংগা হান্না পূন্না কাউন্সেল্লিং তৌবীদুনা মচাশিংবু অরানবা লম্বীদগী কন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। লোয়ননা স্কুল ওথোরিটিনসু অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মোক টেষ্টকুম্বা তোয়না তৌবীরবদি ফগনি খল্লি। স্কুলশিংনসু সেলেবস কভর তৌনবখক হোৎনবীদবা ফৈ অমদি মহৈরোয়শিংনসু পূক্লিং চঙনা ক্লাস য়াওদুনা লাইরিক পারবদি তুংদা শোয়দনা অফবা ওইগনি।

❒ খুন্দোংবম রোমেন, খাঙবোক মাইস্নাম লৈকাই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৬।২০২১ ইং, ইরাই ;
ইঙাগী ১৬নি পানবা।

মেষ: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি হেন্না অশা চাউবগী মাঙজবা খরা লৈগনি। থবক পাঙবা, পল্লম্বা শেলথুম ফংজবা অমদি য়েৎলম্বদি কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

বৃষ: কল্লক য়েংথিবা য়াম্বা, অঙম্বনা চানবিবা ৱাৎপা অমদি নাইতোম থৌ পাঙবা কান্নদবা নুমিৎনি। অরুবা থবক পাঙবা চেকশিল্লু-লৌশিং চাউবা লোইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নীংবা মপা চায় অমদি নচা ননাই ফংজবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। অনম তান্নরদি কোক শাবা অমদি মীতোপ্পা খুদোংচাবা লৌখিবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: শাউনিংবা অমদি কায়নবা লৈরসু হকচাং নুংঙাইবা হেনবা অমদি অনৌ-অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙবনা মায় পাকচবা হেনবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

সিংহ: মিংচৎ হেনগৎপা, য়েৎলম্বা কোকচবা অমদি লন চঙবা নুমিৎনি। অনীংবা অফবা থবক্তা শেল থাদবা অমদি পোরম য়াৎথোকপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: লাই-গুরুনা চানবিগনি, মীয়াম্নসু কান্নবা পীবীবা অমদি লেঙদবা লন ফংবৈ নুংঙাইবা নুমিৎনি। মরূপ মপাংদি লোয়নবগী কান্নবা ফংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

তুলা: শকচু থোকপা ৱাৎলি-অনম তানগনু অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। অনীংবা থবক লায়না পাঙগনি অমদি মীগী মতেং পাম্লদি ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃশ্চিক: থৌনা-লিংজেল ফুদোক্লা থৌ পাঙবা ঙমজগনি অমদি নথক থোংববু খুদুম চনবা ঙমগনি। অরং অরাক লৌশিনবদি পক্লদে-চীনসু য়াংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

ধনু: হরাওবা নুংঙাইবা, পুক্লিং পেঞ্জবা অমদি ওইজবা য়াম্না ফংজবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীকোক থোংবা, পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবা, থবক থৌরম খরা লায়না পাঙবা ঙমগজবা নুমিৎনি। কায়নবা খরদি নংগনি-মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্বা: মায় পাকপা, লৈফম অফবা ফংজবা অমদি পল্লম্বা শেল থুম্নচিংনবা ফংবা য়াবা নুমিৎনি। মীচং অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: থবক পাঙগনি, মিংচৎ ফংগনি অমদি য়েৎনরম্বা কোকচগনি। তুংগী পোরম য়াৎথোকপা য়াগনি অমদি থিবা হুম্বগী কান্নবা য়াম্না ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।